# অহমেদবাদ–বাদোদরা এক্সপ্রেস লম্বীদা এক্সিদেন্ট থোকপদা মীওই ২ শিরে

***অহমেদবাদ, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ*** অহমেদবাদ ভাদোদরা এক্সপ্রেস লম্বীদা থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অমদা মীওই ২ লৈখিদ্রে। অদুগা অতোপ্পা মীওই কয়ানা অশোক–অপন নংহনখ্রে হায়রি।

ঙরাং অহিং পুং ১ রোম তাবদা জয়পুরদগী লম্বী অদুদা লাকখিবা ত্রক অমনা অতোপ্পা ত্রক অমদা থেংজিনবদগী খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি। লমদম অদুদা লৈবা সালুন খুঙ্গংদা অদুগুম্বা থৌদোক অদু থোকখিবনি। হায়রিবা মফম অদু নদিয়াট লমদমগী মনুং চনবা মফম অমনি হায়রি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই অনি শিহনখি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে। মখোয় অদুদি, নানুরাম অমসুং ধর্মেস সহানি। মখোয় ত্রক অদুগী মমাং থংবা কেবিন্দা তোংলকখিবা মীওইশিংনি। থৌদোক থোকখ্রবা মতুং ত্রক অদুগী দ্রাইভর অদুনা মফম অদুদগী নাম্থোকখিনবা হোৎনখি। অতোপ্পা ত্রক অদুগী মমাং থংবা সিটতা ফল্লকখিবা মীওই অনিসু অশোক অপন নংখি। ত্রক অদুগী দ্রাইভর অর্জুন গুর্জরনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখি। নদিয়াট রুরেল পুলিস ষ্টেসন্না কমপ্লেন অদু লৌবগা লোয়ননা শোক্লবা মীওইশিং অদু হোস্পিতালদা পুখত্তুনা লায়েংখি হায়রি।

# ৱাল নিংখায়বদা অনি শিরে, মঙা শোক্লে

***কৌশম্বী, ফেব্রুৱারি ২৭ ঃ*** ইমুং অমগী মীওই অনি শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা মীওই মঙা কোখ্রাজ লমদমদা লৈবা পরসারা খুঙ্গংদা ৱাল অমা কিহ্রকপদগী অশোক অপন নংখ্রে।

থৌদোক অদুদা রানী দেবী (৫৫) অমসুং অভিশেক (৪) মফম অদুমক্তদা শিখি। অদুগা অতোপ্পা মীওই ৫ না য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা অশোক–অপন নংখি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোংদোরক্লি।

অশোকপশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিতালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। মখোয়গী হকচাংগী ফিভম খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা ইমুং অমগী মীওইশিং অদু কিহ্রকখিবা ৱাল অদুগা নক্লনা লৈবনি। অদুগা অতোপ্পা মীওইশিং অদুসু ৱাল অদুগী পরিংদা চংজফম লৌদুনা লৈখিবা মীওইশিংনি হায়রি।

য়ু পি পুলিসকী কাংবু অমনা থৌদোক থোকফমদা চংশিন্দুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎনবা থৌরাং তৌখ্রে হায়রি।

# অৱাং নোংপোক্কী লমদম চাওখৎনবা হোৎনবনা প্রাইম মিনিষ্টরগী অখন্নবা এজেন্দা ওইরি

***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ*** অৱাং নোংপোক লমদমগী লম্বী থোং, লল্লোল–ঈতিক অমসুং টুরিজমগী লমদা থংননা লৈরিবা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগা ফাওনহনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী অহানবা ৱাফম ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর ডা. মনমোহন সিংহনা লৌই হায়না বে ওফ বেঙ্গল এনিসিয়েটিভ ফোর মল্টি সেক্তোরেল টেক্নিকেল এন্দ ইকনমিক কো–ওপরেসনগী মীফমদা ফোংদোকখ্রে।



মনমোহন সিংহনা মথংগী অহুমশুবা সবমিটকী মীফমগা লোয়ননা মার্চকী তাং ৪ দা নাই পি টাও লমদমদা চৎননবা শেম শারি। অদুগুম্বা সবমিট অদুদা অৱাং নোংপোক্কী লম্বী থোংশিং ফগৎহনবগা লোয়ননা সাউথ এসিয়াগী লমদমশিংগা শম্নহন্নবা অমদি অদুগুম্বা ৱাফম অদুদা হেন্না খুদোংচাবা পীননবা খন্নরি হায়না ফোরেন সেক্রেটরি সুজাটা সিংহনা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোংদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা, সার্ক অমসুং এসিয়ানগী মীফমশিংদা কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক লমদমদা মীৎয়েং থমলি। অৱাং নোংপোক্কী লমদমশিংগা সাউথ এসিয়াগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা ফাওনহনবগী মতাংদা লৈরিবা ৱাফম অদু থাজরমদবা য়াই। হৌজিক্তি অৱাং নোংপোক মায়কৈগী লম্বী থোং শম্নহনবা অমদি অৱাং নোংপোক লমদমদা অখন্নবা মীৎয়েং চংবা হায়বসিদা অচৌবা মীৎয়েং থল্লি।

লুক ইষ্ট পোলিসিগী মতুং ইন্না লমদম অসিগী লম্বী থোং লল্লোল–ঈতিক অমসুং টুরিজমগী লমদা শম্নবা হোৎনরি হায়না ফোরেন সেক্রেটরি অদুনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা অৱাং নোংপোক্কী চাউখৎ–থৌরাংগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। লাক্কদবা মতমশিংদা অৱাং নোংপোক লমদমবু চাওখৎহন্নবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং চংশিন্নবা প্লান্নিং কম্মিসন্দসু খঙহল্লি। মদু চয়োল অহুমগী মমাংদা প্রাইম মিনিষ্টর অদুনা গুৱাহাটিদা লাক্লম্বা অদুদা ফোংদোক্লমখিবনি। ৱাফম অদু মরী লৈনবা সেক্রেটরিশিংদসু খঙহনবগা লোয়ননা অকক্লবা মীৎয়েং থমদুনা অৱাং নোংপোক লমদমবু চাওখৎহন্নবগী পান্দম থল্লি হায়রি।

# সিন্ধু রত্নগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা মাংখিবা সেলর অনি শিনা ফংলে



***মুম্বাই, ফেব্রুৱারি ২৭ ঃ*** মুম্বাইগী সমুদ্র খোংবান্দগী নাওটিকেল মাইল ৫০ রোম লাপ্পা মফমদা সবমেরিন সিন্ধু রত্নাদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা থিবা খঙদনা লৈরকখিবা নেভেল ওফিসার অনি শিনা ফংলে। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা নেভিগী লুচিংবা অমা ফম থাদোকখিবা লৈখ্রে।

থোকখিবা সবমেরিন মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা শোক্লবা ক্রু মেম্বর ৭ এরোপ্লেনদা পুরক্তুনা হোস্পিতালদা লায়কন্নখি। মখোয় শ্বর হোনবা ঙমদবদগী লায়কন্নখিবনি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সবমেরিন অদুদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা থোক্লকখিবা মৈখুশিংনা মরম ওইরগা শ্বর হোনবা ঙমদবদগী খুদোংথিবা অদু মায়োক্নখিবনি।

অদুগুম্বা থৌদোক অদু থা তরুক্কী মমাংদা মুম্বাইগী সমুদ্র খোংবানগী লমদমদা সবমেরিন অমা খুদোংথিবা থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা নৌনা থোকপা খুদোংথিবা অমনি হায়রি।

থিবা খঙদনা লৈরকখিবা ওফিসার অনি অদু সবমেরিন অদুগী কম্পার্টমেন্ট অমদা লৈরম্বা থেংনখি। মখোয়বু ফংখিবা মতম অদুদা ডাক্তরনা মখোয় শিনা লৈরম্লে হায়না ফোংদোকখি। ৱাফম অদু দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোলগী মতুং ইন্না ফোংদোরকখিবনি হায়রি।

নেভেল ষ্টাফকী মকোক এদমিরেল দি কে জোশি মোরেল রেস্পোন্সিবিলিটি লৌদুনা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং ফম থাদোকখিবনি। মমাং চহিগী আগষ্টতা থোকখিবা থৌদোক অমদা সেলর ১৮ শিখি। মখোয় খুৎলায় থন্না য়াওরবা আই এন এস সিন্ধু রক্ষক সবমেরিন মনুংদা মৈ হৌদুনা পোকখায়রকপগী থৌদোক অমদা লৈখিদবনি।

থৌদোক অদু ইং ১৯৭১ দা পাকিস্থান অমসুং ইন্দিয়াগী লানগী মতমদা থোকখিবা খ্বাইদগী হেন্না মাং তাকপা থৌদোক অদুগী মতুংদা খ্বাইদগী চাওবা খুদোংথিবা থৌদোক অনি হায়রি।

# মুজাফরনাগরদা কাংলুপকী ইরাং থোকপদগী মীওই নিপাল শোক্লে

***মুজাফরনগর, ফেব্রুৱারি ২৭ ঃ*** মুজাফরনাগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পালদি খুঙ্গংদা কাংলুপ অমগী মীওই অমা লুহোংবগী থৌরমদা অতোপ্পা কাংলুপ অমগী মীওইশিংনা নুংনা থাজিল্লকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৮ শোক্লে হায়রি।

থৌদোক অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা থোকখিবনি। খুঙ্গং অদুদা লুহোংবগী থৌরমশিংগা মরী লৈননা লাউদ স্পিকর শিজিন্নদুনা ম্যুজিক থাদোকপদা অথিংবা লৈখিবা মফমনি। নুমিৎ অদুদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা অকনবা মওংদা য়েৎনবা থোকখ্রবা মতুং কাংলুপ অমগী মীওইশিংনা নুং লংশিন্দুনা এটেক চত্থরকখিবনি হায়রি।

লুহোংবগী কাংবু অদুদা অতোপ্পা কাংবুগী মীওইশিং অদুনা নুংনা থাজিনবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৮ শোকহনখি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা মীওই ৮ ফাগৎলে। লোয়ননা খুঙ্গং অদুদা হৌজিক উংখৎনবগী ফিভম চাউনা লৈবনা সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা অহেনবা পুলিস ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌখ্রে হায়রি।

# ইরাই নুমিত্তা ট্রেন তোংদুনা চৎতনবা বি জে পিনা খঙহনখ্রে

***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৭ ঃ*** ভারতিয়া জনতা পার্টিনা ঙসি শগোলশেল নুমিত্তা ফোংদোকখিবদা, পার্টি অদুগী রেল রোখো খোঙজংগা মরী লৈননা বিহারগী মীয়ামশিং ট্রেন তোংদুনা চৎতনবা খঙহনখ্রে।

বি জে পি গী রেল রোখো হায়বা খোঙজং অদু বিহারদা স্পিসিয়েল ষ্টেতস পীননবা চংশিনখিবা খোঙজং অমনি। চংশিনগদবা খোঙজং অদুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহনবা য়াই হায়না পার্টি অদুগী লুচিংবা অমা ওইরিবা হান্নগী দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর সুসিল কুমার মোদিনা ফোংদোরক্লি।

মহাক্না ফোংদোকখিবদা মীয়াম্না ইরাই নুমিত্তা ট্রেন তোংদুনা চৎপিগনু হায়রি। চংশিনগদবা খোংজং অদুনা মরম ওইরগা ইরাই নুমিত্তা ট্রেন তোংদুনা চৎননবগীদমক টিকেট ককখিবা মীয়ামদা টিকেট অদু হন্দোক্লবা ৱাফম ফোংদোরক্লি। বি জে পি গী রেল রোখো হায়বা খোঙজং অদুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়খি।




মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা, রেল ওথোরিটিনা বিহারদা ইরাই নুমিৎকী ওইনা রেলশিং চৎহন্দনবা অমদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা ৱাফমসু ফোংদোক্লি। বি জে পি গী সেনিয়ার লিদর অদুনা মরাল শিরদুনা হায়খিবদা, য়ু পি এ সরকারনা বিহারগী স্পিসিয়েল ষ্টেতস পীননবগী চংশিল্লকখিবা দিমান্দ অদু খঙশিন্নদনা

লৈরে। চিফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারদা এটেক চত্থরদুনা হায়খিবদা, মমাং চয়োলদা অন্ধ্র প্রদেশতগী টেলঙ্গনা খায়দোকখ্রবা মতুং সিমন্ধ্র লমদমদা অখন্নবা ইন্সেন্টিভ পীখিবা অদুগুম্না বিহারদসু পীগদবনি হায়খি। সুসিল মোদিনা বি জে পি না নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা এন দি এ সরকার শেম্লক্লবদি বিহারদা অদুগুম্বা স্পেসিয়েল ষ্টেতস অমসুং তোঙানবা পেক্কেজশিং পীগনি হায়খি।

এন দি এ না সেন্টরদা সরকার পায়রক্লবদি বিহারগী মোটিহারিদা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা শোয়দনমক লিংখৎকনি। মদু য়ু পি এ সরকারনসু মমাংদা ৱারেপ লৌখ্রবনি। অদুম ওইনমক মখোয়না থবক ওইনা পাংথোক্তনা লাকখিবনি হায়রি।

# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং –১

*ঙসিগী সাইন্টিফিক এজ অসিদা হিরম খুদিং সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙাক্তা চুমগনি হায়বসি চুমদুনা লৈরবসু সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়াদবা হিরমশিং লাল্লি, অচুম্বা ওইদে হায়রুবদি য়াদে। সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা হিরমশিং মণিপুরদা অচুম্বা ওইনা লৈবা কয়া য়াওরি। মণিপুর কংলৈ লৈকোইপুং চীংলৈবাক অসিগী পুৱারীসু, হৌজিক হেক্তা সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়ারোইদবা মওং অমদা, মতমদুদা লাইগা মীগগী মরক্তা শাগৎখিবা লৈশেমলোনগী ৱারীনি। অদুবু কলমসিদা কংলৈপাক্কী ৱারী খজিক খজিক ৩৩ এদিদগী হৌরগা লৌখৎপনি। খৃষ্টগী মতুং হায়বদি ৩৩ এদি অসিদা মতমদুদা কংলৈপাক্কী কোন্নচক (কলি) কী কুমশিং (চহি) ৩১৩৫ শুরে। ৩৩ এ দি দা পানখিবা কংলৈপাক্কী নিংথৌ অসি নোংদা লাইরেন পাখংবানি। নোংদা লাইরেন পাখংবদগীনা নাউখম্বা ফাওবা নিংথৌ তরেৎ অসি মখোয় মখোয়গী শিম্বা লোয়রগা মাংখি। ৩৩ এ দি দগী ১৫৪ ফাওবা চহি ১২০ নিংথৌ ওইখিবা নোংদা লাইরেন পাখংবসি কমদৌনা কংলৈপাক্তা শাফোংলকখিবগে খঙমিন্নসি।*

***ঙরাংগী মখা***

***পাখংবা ঃ*** *অদুগা ঐদি ইনিং ইখা তম্না লাই ওইবসু য়াই মী ওইবসু ঙম্মী। ইশানৌ নহাক্তি পোইরৈতোন্না খুম্থোরকপদা লোয়নরকপী মচলনিনা মী ওইবদি য়াই লাই ওইবদি য়ারোই তাকপীরবদা লাইস্না নীংবা কায়রম্মী। পাখংবনা ফোংদোক্লিবা ৱাফমসি লৈবাক্কী মপী–মপা ওইবা নিংথৌদি মীপুম খুদিংমক নুংশিনা চপ মান্ননা অচান–মীরাই নাইদনা লাইগী ৱায়েলগুম অচুম্বা চৎপনা অয়ুক নুংথিলদা লাই ওইবনি. নুমিদাংনা অচম্বা মীগুম কোয়না চৎতুনা লৈবাক মীয়ামগী অনিংবা অপান্বদু খঙদোক্লবা তাইবং মী ওইবনি। মশাবিগী ৱাদু তারগা লাইস্নানা নশানৌ ঐদি ইবুঙোগুম্না লাই ওইবা য়াদ্রবনিনা ইবুঙোগা মরুপ–মপাং ওইরিবা লাইয়ামশিংনা শকখঙ মায়খঙনবা চামিন থকমিন্নবা য়াদবা তারে। মৈতে লৈমা লাইস্নাগী মপুক্লিং নুংশিবা ৱাদু তাবদা পাখংবনা মোমোন নোক্লগা ইশানৌনা চিংঙু লাইওইবশিংগা উন্নদুনা শকখঙ মায়খঙননিংলিবদু ঐনা শিনবিগনি তাকপীরম্মী।*

*নোংদা লাইরেন পাখংবনা কুমজা কুমওন হৌদ্রিঙৈ লমতা থাবুম মনুংদা কংলৈপাক্কী মীয়ামসে হরাও কুম্ন্মে য়েংহনগে মপুক্লিংদা খল্লদুনা নোংমা লাইয়িংথৌ পোইনাউতাগী মকাদা চেংঙৌ হৈদুনা হৈকৎ–লৈকৎ তমদুনা হয়াচক মতমদা মায়কৈ ঙাকপা খোয়ুম লাইয়াম্না লাঙ্গোই তোংদুনা শগোল কাংজৈ শান্নখিবদু পোইরৈ মীপুম য়েংহনগে লৈবাক কুম্ন্মে ওইনবা খোয়ুম নঙনা শিনবিয়ু নিজরক্লবদা খোয়ুম মানা য়াবিরদুনা হয়াঙৈদা কাংজৈরোয় ওইখিবা খোয়ুম লাইয়াম কৌরগা ৱাহৌ ৱারোই লংদাইপুংদা লাঙ্গোই তোংলগা শগোল কাংজৈ শান্নবা থৌদাখি।*

# জৱান অমনা মহাক্কা লোয়নবা লান্মী মঙা হাৎলবা মতুং মথন্তা শিজখ্রে



***শ্রীনগর, ফেব্রুৱারি ২৭ ঃ*** জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী গান্দরবাল দিষ্ট্রিক্টতা লান্মী অমনা মহাক্কা লোয়নবা মীওই মঙা তুল্লিঙৈদা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা হাৎলবা মতুং মহাক মশাসু সুসাইদ তৌদুনা শিজখ্রে।

রাষ্ট্রিয়া রাইফলগী জৱান অদুনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মহাক্কা লোয়নবা মীওই ৫ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলবা মতুং মহাক মশাসু সুসাইদ তৌদুনা শিজখি হায়না আর্মিগী স্পোক্সপার্সন অমনা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অদু রাষ্ট্রিয়া রাইফলগী ১৩শুবা কেম্পকী সাফাপোহরাদা লৈবা মফম অদুদা থোকখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা কোর্টনা ইনক্বারি অমা চখনবা য়াথং পীখ্রে। পাউ অদুগী মতুং ইন্না সিফাই অদু কেম্প অদুদা শন্ত্রি তাবা মীওইনি। মহাক্না ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২ রোম তাবদা বেরেক অমদা চংশিল্লক্তুনা তুমদুনা লৈরিবা সিফাইশিংগী মথক্তা নোংমৈ কাপশিনখি হায়রি। থৌদোক অদুদা সিফাই মঙা সিখি। লোয়ননা অতোপ্পা সিফাই কয়াসু শোকহনখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা সিফাই অদুনা মশা মথন্তা কাপশিনজদুনা শিজখি হায়রি।

# লাইনি হায়জবা মীওই অমগী লৈনুংগী কাদা ফাজিন্দুনা থম্লম্বা চহি ৭ কী নুপীমচা অমা কনখ্রে



***বেলগাওম, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ*** বেলগাওন খুঙ্গংদা মশানা মশাবু ঈশ্বরনি হায়জবা মীওই অমগী আশ্রমদা লৈবা লৈনুংগী কা অমদা ফাজিন্দুনা থল্লম্বী চহি ৭ কী নুপীমচা অমা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা কনবা ঙমখ্রে।

পুলিসনা অথানি সব–দিভিজনগী মনুংদা লৈবা জুনজরাৱাট খুঙ্গংগী চন্দ্রগেরি মুটতা লৈবা মফম অমদা রেদ চত্থখি। হায়রিবা মফম অদু বেলগাওনদগী কিলোমিটর ১৮০ রোম চৎলগা লৈবা মফমনি হায়রি।

মশানা মশাবু ঈশ্বরনি হায়জবা সদাসিব এলাইজ অপয়া স্বামী অমসুং মহাক্কা লোয়নবা গুরু পদগৌদা পতিল কৌবা মীওইশিং ফাগৎলে হায়রি। মফম অদুদগী কল্লকখ্রবা নুপীমচা অদুনা ফোংদোকখিবদা, ঈশ্বরনি হায়জবা মীওই অদুনা মহাকপু য়োক্তুনা লৈরকখিবনি। তুংদা মহাক অথানি গভর্নমেন্ট হোস্পিতালদা পুখত্তুনা লায়েংখি। নুপীমচা অদুগী হকচাংগী ফিভম অকায়বা লৈত্রে। অদুম ওইনমক মঙোন্দা অকিবা পোকপগী ফিভম অমদি লৈরি হায়না হোস্পিতালগী ওথোরিটিনা ফোংদোরক্লি।

অথানি হোস্পিতালগী চিফ মেদিকেল ওফিসার পুস্পালতা সুনাদাকলনা ফোংদোরকখিবদা, ঈশ্বরনি হায়জবা মীওই অদুনা নুপীমচা অদুবু নুমিৎ কুননিরোম চাননবা চিঙাক অমদি থক্লবা ঈশিং পীদনা মহাক্কী লাই তিনগী ওইবা শক্তিনা হিংহন্দুনা থম্লকখিবনি হায়বা ৱাফম অদু য়াখিদে। ঈশ্বরনি হায়জবা মীওই অদুগী লৈনুংদা লৈবা ফিট ১১ পাকপা অমদি ১১ শাংবা অমদি ফিট ৯ ৱাংবা কা অদুগী মনুংদা নুপীমচা অদুদা পিরম্বা চিঙাক, ঈশিং, থাওমৈ, কেরোসিন অমসুং অতোপ্পা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং পীরম্বা থেংনৈ। থৌদোক থোকখ্রবা মতুং দিষ্ট্রিক্ট অদুগী চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসার নিরালাগটিনা থৌদোক থোকফমদা চত্তুনা য়েংশিনখি।

মশানা মশাবু ঈশ্বরনি হায়জবা মীওই অদুগী আশ্রমদা লৈরম্বা মীওইশিংনা যোগ সমাধি হায়না খঙনবা থৌরম অমা পাংথোকখি। মদু মীওইবা সমাজদা কান্নহন্নবা পাংথোকখিবনি হায়না ফোংদোরক্লি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা নুপীমচা অদু হিংনা হিংনা মৈ থাননবগীদমক ফাজিন্দুনা থম্লমখিবনি হায়রি।

ধর্ম্মগা মরী লৈনবা মীওইশিং অদুনা লমদম অদুগী মীয়ামদা দোনেসন চৎপগা লোয়ননা পোৎলম কয়া মীয়ামদা য়েন্থোকখি। থৌরাং অদুগী মনুং চন্না আশ্রম অদুগী মরুওইবা মীওইশিংনা নুপীমচা অদুবু লৈনুংদা শেম্বা কা অদুগী মনুংদা ফাজিন্দুনা থমখি। মহাক পাংথোক্কদবা পূজাগী থৌরমগা মরী লৈননা হিংনা হিংনা মৈ থাননবগীদমক থৌরাং তৌখিবনি হায়রি।


